সেন্তরনা লৌমীশিংগী তুংগী পুন্সি অমদি হক মাঙহন্নবা অকনবা মওংদা হোৎনরি: রাহুল গান্ধী

রাইপুর, মার্চ ২১ (এজেন্সী) :

বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামনা য়াদবা ফার্ম লো অহুম নমফুন্দা পাস তৌদুনা লৈবাক অসিগী লৌমীশিংগী তুংগী পুন্সি অমদি হক মাঙহন্নবা অকনবা মওংদা হোৎনরি হায়না কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা ফোঙদোরক্লি।

ছটিসগরগী কোনুং রাইপুরদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা সেন্তরনা লৌমীশিংগী ইনকম মুল্লগা মমিং লৈবা ইন্দষ্ট্রিএলিষ্ট খরদা পীনবা হোৎনরি।

লৈবাক অসিদা লৌউ শিংউবগী থবক তৌরিবা মীওই খক্তা নত্তনা ঙা য়োকপা অমদি ষণ লোয়বগী থবক তৌরিবা মীওইশিংগী হকসু মোদিগী লৈঙাক অসিনা মাঙহন্নবা হোৎনরি। বি জে পিনা লৈঙাক পায়দ্রিঙৈগী মাংওইননা লৈবাক অসিগী মীয়াম মরু ওইনা লৌমী শিন্মীশিংগী চাওখৎ থৌরাংগী অহেনবা থবক কয়া পায়খৎকনি হায়না ফোঙদোকখি। অদুবু লৈঙাক পায়রবা মতুং লৌমী শিন্মীশিংগী য়াইফনবা থবক তৌবগী মহুত্তা হাৎপগী থবক ওইনা চথরক্লি। মসি লৈবাক অসিগী মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফমনি।

কোংগ্রেসনা লৌমীশিংদা তৌগনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংদি ঙসি ফাওবদা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। লৈবাক অসিগী লৌমী লীশিং কয়ানা নৌনা পাস তৌখ্রবা ফার্ম লো অহুমগী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি মরম চাই। মরম অদুনা কোংগ্রেসনা লৌমীশিংগী খোঙজং ঙসি ফাওবা শৌগত্তুনা লাক্লি।

ইলেক্সন মতম ওইবনা পাস তৌখ্রবা লো অহুম অদু সেন্তরনা থা ১৮ হোল্ড তৌদুনা থল্লগা খন্নগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। অদুবু ইলেক্সন লোয়রবা মতুংদা বি জে পিনা অমুক হন্না ষ্টেট কয়াদা লৈঙাক পায়রক্লবদি লৌমী মীয়াম অমুক্কা হেন্না অৱাবা তারগনি।

থা ১৮ হোল্ড তৌদুনা লো অদুবু থল্লা যারবদি চহী চুপ্পা লো অদু থমদবদা করি অকায়বা লৈবগে হায়না রাহুল গান্ধীনা নরেন্দ্র মোদিদা হংখিবগা লোয়ননা ফার্ম লো অহুম ইলেক্সন মতুংদা নমফুন্দা চৎনহন্নবা হোৎনরিবা অদু কোংগ্রেসনা কৈদৌনুংদা য়াবা ঙম্লোই হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ব্লেক মণি অমদি মপান লমদা লৈরিবা লৈবাক অসিগী শেনফমশিং অমুক হন্না পুরক্কনি হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং দিমোনিটাইজেসন তৌখিবগা লোয়ননা জি এস টি পুথোকখি। মোদি গবর্ণমেন্টনা দিমোনিটাইজেসন অমসুং জি এস টি ইমপ্লিমেন্ট তৌখ্রবা মতুং লৈবাক অসিদা থবক ফংদবগী চাং নোংম নোংমগী হেনগৎলক্লি। মসি মোদিনা পুরকপা অফবা লৈবাক অমনি হায়বগী খুদমনি।

ছটিসগরদা হৌজিক লৈরিবা কোংগ্রেস লৈঙাক্না লৈবাক অদুগী লৌমীশিংদা মতম চুপ্পদা পুক্নিং থৌগৎপগা লোয়ননা মখোয়গী ইকোনোমিগী ফীভম ফগৎহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি। মদুনা মরম ওইরগা কোরোনা ভাইরস পেন্দমিক মনুংদা ষ্টেট অদুদা খুদোংচাদবা অৱাবা ফীভম অমত্তা মায়োক্লখিদে। মসি কোংগ্রেসনা মীয়ামগীদমক পুকচেল শেংনা থবক তৌরি হায়বদু তাকপনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ছটিসগরগী চীফ মিনিষ্টর ভুপেস বাঘেলনা রাজিব গান্ধী কিষান ন্যায় যোজনাগী শেন্থং মখাদা লৌমী লাক্ষ ১৮.৪৩ গী একাউন্টদা লুপা ক্রোর ১,১০৪.২৭ ট্রান্সফর তৌখি হায়রি।

চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা বেঙ্গলগী চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং থেংথহনবনি: নরেন্দ্র মোদি

বানকুর, মার্চ ২১ (এজেন্সী) :

লাক্কদৌরিবা বেঙ্গল এসেমব্লি ইলেক্সনদা বি জে পিনা চাওনা মায় পাক্লগনি অমদি মমতা বেনর্জিনা ষ্টেট অদুবু চাওখৎহন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা মশাগীতা খল্লগা থবক থৌরম কয়া পাঙথোক্লম্বা অদু মখা তানা পাঙথোকপা ঙম্লরোই হায়না লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না ফোঙদোকখিবদা চীফ মিষ্টির মমতা বেনর্জিনা বেঙ্গলগী চাওখৎ থৌরাংগী ওইবা থবক থৌরম অমত্তা মপুং ফানা পায়খৎলম্বা লৈতে। মহাক অমদি মহাক্কী মরী মতাশিংগী খল্লগা বেনর্জিনা মতম শাংনা থবক তৌদুনা লাকখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা তৃনামুল কোংগ্রেসকী লুচিংবা কয়া পার্টি অদুদগী তোল্লবা মতুং বি জে পিদা য়াওরক্লিবা অসি মমতা বেনর্জিগী অরানবা থবক থৌরম কয়া অদুবু য়ানিংদবগীনি।

মমতা বেনর্জিনা ঈ ভি এমগী মতাংদা পার্টি ৱার্করশিংনা মীৎকুপ নাহুমশিংনা য়েংশিন্নবা ফোঙদোকখিবা অদু মশা মতোমতা মীপায়বা ফাওরকপদগীনি। মহাক লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা মায়থিরগনি হায়বা মশানা খঙবদগী ঈ ভি এমদা তাইশিন্দুনা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবনি।

বেঙ্গলদা বি জে পিনা লৈঙাক পায়রবা মতুং ষ্টেট অদুদা অহানবগী ওইনা অলকোহোল মপুং ফানা থিংনবা হোৎনগনি অমদি লোনা য়াদবা মওংদ গেং খূৎপু খরনা লন্নাই মীওইশিংদগী পৈশা খায়বগী থবক চথরিবা অদুসু খুদক্তা থিংজিল্লগনি। হৌজিকমক্কী ওইনদি মমতা বেনর্জিনা গেং খূৎপুশিং অদুনা মান্নরগা লোনা য়াদবা মওংদা মীওই কয়াদগী য়াল্লবা শেনফমশিং খোমগৎলি। অদুবু মহাক্কী মায়োক্তা ৱা ঙাঙবা ঙমদবদগী বেঙ্গলগী মীয়াম অৱাবা মায়োক্লরি।

হৌজিক্তি বেঙ্গলদা বি জে পিগী লৈঙাক শুংশোয় শোয়দনা লাক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈবনা মরম ওইরগা ষ্টেট অদুগী মীয়াম অৱাবা ৱাখল থাদোক্লগা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকপগী মতম ওইরে হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মমতা বেনর্জিনা মহাক্কী মকোক্তা খোঙপাক্লা কাওবদি ঙমখিবা য়াই অদুবু বেঙ্গলগী চাওখৎ থৌরাংগী থবক্তি কাওথোকপা ঙমহল্লোয় হায়রি।

লোক সভাগী স্পিকর কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে

ন্যু দেল্লী, মার্চ ২১ (এজেন্সী) :

লোক সভাগী স্পিকর ওম বিরলা ঙরাং কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বদগী ন্যু দেল্লীগী এইমসতা লৈবা কোভিদ সেন্তরদা এদমিট তৌদুনা ট্রিটমেন্ট চথখ্রে। মহাক হৌজিক খুদোংথিনিঙাই ওইদ্রে হায়না হোস্পিটাল ওথোরিটিগী মায়কৈদগী ঙসি ফোঙদোরকখ্রে।

ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সনা থাদোরকপা ৱারোল অমগী মতুং ইন্না ওম বিরলা হৌজিক ষ্টেবল ওইরে। মশাগী চহী ৫৮ লোম শুরবা বিরলা হৌখিবা মার্চ ১৯ দা কোরোনা ভাইরসকী সিম্তোম উবদগী টেষ্ট তৌখিবনি। মদুদা মহাক কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরমখিবনি হায়রি।

পুং ২৪ দা কোভিদকী অনৌবা কেস ৩০,৫৩৫ থেংনখ্রে

মুম্বাই, মার্চ২১ (এজেন্সী) : হৌখিবা পুং ২৪ দা মহারাষ্ট্র খক্তদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ৩০,৫৩৫ থেংনখিবগা লোয়ননা লায়না লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ৯৯ শিহনখ্রে হায়রি।

হায়রিবা কেস মশীং ৩০,৫৩৫ অসিগী মনুংদা মুম্বাই খক্তদা কেস ৩,৭৭৫ য়াওরি। ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ শনে দাকপগী চাং কা হেন্না ৱাংখৎলক্লিবা অসি থিংনবা গবর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা হোৎনরবসু মায় পাকপা ঙমদ্রি। মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর উধব থাক্রেনা গবর্ণমেন টনা কোভিদ-১৯ গা মরী লৈননা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিংদা মীয়াম্না মতেং পাংদ্রবদি মায় পাকপা ঙম্লোই হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মহারাষ্ট্রদা মপুং ফানা লোকদাউন তৌদ্রিঙৈগী মাংওইননা মীয়াম্না লায়না লায়চৎ অসি থিংবদা মতেং পাংনবা অপীল তৌরক্লি। করিগুম্বা লায়চৎ অসি শন্দোকপদা থিংবা ঙম্লক্তবদি তঙাইফদনা লৈবাক পুম্না লোকদাউন তৌখিবগুম মহারাষ্ট্রদা লোকদাউন অমুক হন্না তৌরকপা য়াই হায়রি।

মর্দর কেসকা মরী লৈননা বি জে পি লুচিংবা য়াওনা ৩ পুলিসনা ফারে

বর্ধমান, মার্চ ২১ (এজেন্সী) :

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মনুং চনবা পুরবা বর্ধমান দিষ্ট্রিক্টতা মশাগী চহী ৭৪ রোম শুরবা অহল অমা হাৎখিবগী থৌদোক্তা মরী লৈননা লোকেল বি জে পি লিদর অমা য়াওনা মীওই অহুম পুলিসনা ফারে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা পুলিস ওফিসর অমনা ফোঙদোরকখিবদা হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা মখোয় অহুম ফাখিবনি। মদুগী মতুং থাংজ নুমিত্তা লোকেল কোর্ট অমদা পুথোক্লবা মতুং নুমিৎ ১০ নিগী ওইনা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌথখ্রে।

হৌখিবা মার্চ ৯ দা রাইনা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা পোষ্ট ওফিস পরাদা লৈবা মহাক মশাগী য়ুমদা অহল ওইরবা মীওই অদু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলমখিবনি। নুমিৎ অদুদা লৈখিদ্রবা অহল অদু বেঙ্কতগী পৈশা কায়থোক্লুরগা ময়ুমদা লৈবা নুমিৎনি। মহাক্কী শেনফম অদুবু লুট তৌনবা হোৎনবগী পান্দমদা অহল অদু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনরি।

থৌদোক অসিদ চেন্নরিবা মীওইশিংগী মরক্তগী অমনা ফোঙদোরকখিবদা শোয়বদগী নোংমৈ অদু কাপথোকখিবনি। অহল অদু নোংমৈনা পাল্লবা মতুং লৈমায়দা তাদুনা লৈবা উবদা অকিবা ফাওবদগী মখোয় শেনফমশিং অদু পুদনা মফম অদুদগী চেল্থোরকখিবনি হায়রি।

মীওই ৩ অদু মোবাইল ফোন লোকেসন ট্রেক তৌরবা মতুং ফাবা ঙমখিবনি হায়না পুলিস ওফিসর অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

খোঙজেন য়াঙনা থৌরকখিবা মার্সিদিস অমনা টেক্সিদা থোমজিনবগী থৌদোক্তা মীওই অহুম শিরে

চান্দিগর, মার্চ ২১ (এজেন্সী) :

মশাগী চহী ১৮ খক্তমক ঙাইরিবা মীওই অমনা মহাক্কী মার্সিদিস কার অদুনা মী পুবা টেক্সি অমদা থোমজিল্লবা মতুং সাইক্লিষ্ট অনীদা অমুক য়ৈশিনবগী থৌদোক্তা মীওই অহুম শিরে অদুগা খরনা শোক্লে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা নহা অদু চান্দিগরদগী সমরাথ কৌবা মীওই অমনি হায়বা খঙবা ঙমখ্রে। মহাক অমদি মহাক্না থৌরকখিবা লকজরি কার অদুগা লোয়ননা কার অদুদা তোংলকখিবা অতোপ্পা মমান্নবা অনী অমসু পুলিসনা ফারে হায়রি।

সমরাথনা মহাক্কী লকজরি কার অদু য়াঙনা থৌরকখিবগা লোয়ননা রেদ লাইট থুগাইদুনা টেক্সি অমদা থোমজিল্লবা মতুং সাইক্লিষ্ট অনীদা অমুক থেংজিনখিবনি। মোহালিগী রাধা সোমি চোকতা থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা থোকখিবা লায়বকথিবা থৌদোক অদুদা টেক্সি অদুদা তোংলকখিবা ধর্ম প্রিদ সিংহ অমসুং অনকুস নরুলা শিখি। অদুগা সাইক্লিষ্ট রাম প্রাসাদসু শিখিবনি। থৌদোক অদুদা মীওই অহুম অশোক অপন নংখি। মোহলিগী সেনিয়র এস পি সটিন্দরনা ফোঙদোকখিবদা নহা অহুম অদু য়ু কা হেন্না ঙাওরগা গাড়ী অদু অয়াঙবা খোঙজেলদা থৌরকখিবনি। গাড়ী থৌরকখিবা সামরাথ মশামকসু দ্রাইভিং লাইসেন্স পায়রমখিদে। মখোয় ৩ গী মথক্তা ক্রিমিনেল কেস অমা রেজিষ্টার তৌরে হায়রি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা মহারাষ্ট্র গভর্ণমেন্ট হুন্দুনা ঙাঙখ্রে

পটনা, মার্চ ২১ (এজেন্সী) :

লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা ইন্দষ্ট্রিএলিষ্ট মুকেস অম্বানিগী ময়ুম মনাক্তা জিলেটিন ষ্টিক ২০ হাপ্লা গাড়ী অমা থম্লম্বগী থৌদোক্কা মরী লৈননা মহারাষ্ট্র গভর্ণমেন্টনা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকখিবা অদুবু য়ানিংদবা উৎপগা লোয়ননা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রবি সঙ্কর প্রসাদনা থৌদোক অদু অয়েৎপা য়াওদনা থিগৎহনগদবনি হায়রি।

অম্বানিগী ময়ুম মনাক্তগা পোকখায়হনবা য়াবা মচাকশিং থম্লম্বা অদুগা মরী লৈননা মুম্বাই পুলিসমেন সচিন ৱাজেবু এন আই এনা ফাদুনা থমখিবা অদুবু মহারাষ্ট্রদা লৈরিবা সিব সেনা অমসুং এন সী পিনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লিবা অদু চিংনদবা ঙমদে।

এসিষ্টেন্ট ইন্সপেক্টর সচিন ৱাজে গীদমক মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর উধব থাক্রেনা এসেমব্লিগী মনুং অমসুং মপান্দা কন্নবা হোৎনরিবা অদুগী মরম মীয়ামদা খঙহনগদবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা এন সী পিগী চীফ সরদ পৱারনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তনা লৈরিবা অসিবু য়নিয়ন মিনিষ্টর অসিনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মহারাষ্ট্রগী হোম মিনিষ্টর দেজমুখনসু সচিন ৱাজেবু কন্নবা হোৎনরি হায়রি।

অম্বানি বোম কেস অসি য়াম্না মরিক চুম্না অয়েৎপা য়াওদনা থিগৎহনবা মথৌ তাই নৎত্রবদি লৈবাক অসিদা লৈরিবা ইন্দষ্ট্রিএলিষ্ট কয়াগী মরাইবক তম্বা ঙমদবা ফীভম অমদা লাকপা য়াই। মহারাষ্ট্র গভর্ণমেন্টনা কেস অসিগী থিগৎপগী থবক থৌরমশিংদা অয়েৎপা পীরোইদবনি হায়রি।

পোলিটিকেল পার্টি অয়াম্বনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা ওইদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লি: কেজ্রিৱাল

চান্দিগর, মার্চ ২১ (এজেন্সী) :

পঞ্জাবকী মোগাদা অম অদমী পার্টি (এ এ পি) না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা কিষান মহা সমেলনদা দেল্লীগী চীফ মিনিষ্টর অরবিন কেজ্রিৱালনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংবু হুন্দুনা ঙাঙখিবগা লোয়ননা পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর অমরিন্দ সিংহনসু মীয়ামদা ওইদবা ঙাঙলি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা মহাক্না ফোঙদোকখিবদা অমরিন্দর সিংহনা লুচিংবা পঞ্জাব গবর্ণমেন্টনা তৌগনি হায়না ফোঙদোকখিবা থবক কয়া হৌজিক ফাওবা পাঙথোক্তনা লৈরি। চহী ৪ গী মমাংদা অমরিন্দর সিংহনা মীয়ামদা ৱাশক কয়া শকখি। মদুগী মনুংদা স্মার্ট ফোন মীয়ামদা লেম্না পীগনি হায়খি। অদুবু মীয়াম্না স্মার্ট ফোনশিং লেম্না ফংবা য়াওরগদি খূৎ থাঙ্গৎলকপা য়াগনি।

লৌমীশিংগী লোন কোকপীগনি হায়না ফোঙদোকখি। করম্বা লৌমীগী লোন মহাক্না কোকপীখ্রবগে হায়না হংখিবগা লোয়ননা কোংগ্রেসনসু কুমজা ২০১৭ এসেমব্লি মীখলগী মাংওইননা ৱাশক কয়া শকখি। অদুবু মখোয়না মীয়ামগীদমক শকখিবা ৱাশকশিং অদু ঙসি ফাওবদা থবক্তা অমত্তা ওন্থোক্তনা লৈরি।

অমরিন্দর সিংহনা পঞ্জাবকী মীয়ামদা মতম শাংনা মীনমদুনা লাকখিবা অদু ষ্টেট অদুগী মীয়াম্না হৌজিক্তি চপ চানা খঙলে। মরম অদুনা মীয়াম্নসু ওইদবা ঙাঙবা মিনিষ্টরশিং নৎত্রগা মীয়ামগী মীহুৎশিংবু পরা তম্নীবগী মতম ওইরে হায়রি।

চপ মান্নবা সেন্তরদা লৈরিবা বি জে পিগী লৈঙাক্নসু লৌমীশিংগী চাওখৎ থৌরাংগী ওইবা থবক কয়া পায়খৎলগনি হায়না ইলেক্সনগী মাঙওইননা ফোঙদোকখ্রবসু ঙসিদি মদুগী ওন্না তৌনবদা লৌমীশিংগী অপাম্বগী মায়োক্তা ফার্ম লো অহুম পাস তৌখিবা অসিনি হায়না কেজ্রিৱালনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

খুদোংচাবা খরগীদমক পার্টিদগী তোকখ্রবা মিচেলশিংনা মহাক্না পাঙথোকখিবা থবক থৌরমশিংগী মনা লৌবা পাল্লি : মমতা



কোলকাটা, মার্চ ২১ (এজেন্সী) :

তৃনামুল কোংগ্রেসতা মিনিষ্টর ওইনা লৈরম্বা সুভেন্দু অধিকারি অমসুং মহাক্কী অপোকপা সিসির অধিকারিনা পার্টিদগী তোল্লবা মতুং মশাগী খুদোংচাবা খরা ফংনবগীদমক বি জে পিদা য়াওখিবা অদুদা মহাক নুংনাংবা তৌদে হায়না তৃনামুল কোংগ্রেসকী লুচিংবী মমতা বেনর্জিনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা পার্টিদগী তোকখ্রবা মিচেলশিংনা মহাক্না পায়খৎখিবা মীয়ামগী ওইবা থবক থৌরম কয়া অদুগী মনা লৌনবা হোৎনরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ঐনা মখোয়বু অৱাংবা থাক্তা থমদুনা লাকখি। মখোয়বু অফবা থবক তৌবা মীওইনি হায়না নুংশিনা খন্দুনা লাকখি। অদুবু হৌজিক্তি মখোয় থাজবা হাৎপা মীওই ঙাক্তা ওইরম্লে। কাঙলূপ নাইবা বি জে পিবু মখোয় অনীনা বেঙ্গলদা পুশিল্লক্নবা হোৎনরি। অদুবু ষ্টেট অসিদা বি জে পিনা লৈঙাক পায়বা হায়বদুদি ওইথোক্লরোই। নন্দিগ্রামদা বি জে পি কেন্দিদেট ওইনা থোরক্লিবা হান্নগী তৃনামুলগী মিনিষ্টর সুভেন্দুনা মহাক্কা লম্বা পাগনি হায়না থোরক্লিবা অসি অঙকপা পোকই।

সুভেন্দুগী খনবদা মহাক মিনুংশি ফাওই। মরমদি নন্দিগ্রামদা সুভেন্দু মহাক্কী মখুত্তা চাওনা মায়থিবা নংলগনি। মীয়াম্না সুভেন্দুবু তাথি তাওইননা ঙাঙনরক্কনি খনবদা নুংঙাইতবা ফাওই। অদুবু মশানা পামজনা চৎখ্রবনিনা মহাক্কী মায়কৈদগীদি করিগুম্বা অমত্তা তৌনিংঙাই লৈতে হায়রি।

বেঙ্গলদা নরেন্দ্র মোদি অমদি অমিত শাহ অনীনা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা ইলেক্সন কেম্পেইনগী থবক কনখৎলক্লিবা অসি অরেম্বনি। বি জে পিগী লুচিংবা অনী অসিনা মহাকপু মায়থীবা পীনবা হোৎনবদা অচৌবা শেনফম কয়া থাদরি।

ষ্টেট অসিদা হান্নবা তৃনামুলগী থবক তৌদুনা লৈরম্বা মীওই খরা শেলগী লাং থাক্তুনা বি জে পিনা লৈখ্রবসু তৃনামুলদা অকায়বা লৈতে। বি জে পিদা নৌনা চঙখ্রবা মীওইশিং অদু নুমিদাংগী মতমদা বি জে পিগী মতাংদা ৱাফম অমা ঙাঙলগা নুংথিলগী মতমদা নুংশিবা শাবা মীওই ঙাক্তনি হায়নসু ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবী তৃনামুল কোংগ্রেসকী চীফ মমতা বেনর্জিনা ফোঙদোরক্লি।

মাউইষ্টনা কন্সটেবল অমা কিদনেপ তৌরবা মতুং হাৎখ্রে

বিজাপুর, মার্চ ২১ (এজেন্সী) :

ছটিসগরগী মনুং চনবা বিজাপুর দিষ্ট্রিক্টতগী মাউইষ্টশিংনা পুলিসমেন অমা কিদনেপ তৌরবা মতুং হাৎখ্রে হায়না পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা বসটার রেঞ্জকী ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস সুন্দরাজ পিনা ফোঙদোকখিবদা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম নেক্সেল গ্রুপ অসিনা কন্সটেবল সনুপুনেম্বু ভাইরমগা পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা পোন্দুম ভিলেজদগী ফাদুনা পুখিবনি। ঙসি অযুক মহাক্কী থৱায় য়াওদ্রবা অশিবা হকচাং অদু কেসকুটুল ভিলেজ মনাক্তা থেংনরকখিবনি।

পুনেম বিজাপুর দিষ্ট্রিক্টকী গঙ্গালুর পুলিস ষ্টেসনদা পোষ্টিং তাদুনা লৈবা কন্সটেবল অমনি। মহাক ছুটি লৌরগা পোন্দুমদা চৎখিবনি। রায়পুরদগী কিলোমিটর ৪৫০ রোম চৎলগা লৈবা মফম অসিদা নক্সাল গ্রুপশিংনা য়াম্না তোয়না য়ৈখাই থিনগাইবগী থবকশিং চথরি।

পুনেম হাৎলম্বগী পাউ অদু হেক ফংবগী অহেনবা পুলিস পর্সনেলশিং মফম অদুদা চঙশিন্দুনা থি হুম্বগী থবক চথবা হৌখ্রে অমদি পুনেমগী হকচাং অদু পোষ্ট মোর্টেম তৌনবগীদমক থাখ্রে।

পুনেম নক্সাল গ্রুপ অদুনা মচিন তুম্বা পোৎশক অমা শীজিন্নদুনা হাৎপা ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনরি। অদুবু করম্বা খূৎলাইনা মহাক হাৎখিবনো হায়বদুদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। মফম অদুদা পুলিসশিংনা নক্সল গ্রুপশিং অদুবু খোঙ্গুল লীবগী থবক চথবা হৌখ্রে হায়না মখা তারি।

ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / দশা য়েংজরি

চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, ফেল ওইবা, অৱাংবা পরিক্ষা, থবক মফম সরকারগী থবক, পক্লবা করবার, শেল-থুম, শেল পুথবা, য়ুম-ইংখোল, গাড়ী নম্বর মচু, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, অঙাং য়াওদবা, নিশাদা লাইচুবা, হায়না-তানবা ইন্দবা, হকচাংগী অনাবা, পোৎশেম-যাদু, এক্সিদেন্ট, য়েক্লবনা মাঙনবা তৌবা, পক্লবা লক্ষিষ্টোন, যন্ত্র, ঈরাৎ-থৌনী মরমশিং অসি খূবাক ময়ি অমদি কুঠীদগী কুপ্পা য়েংজরি। য়ুমদা লাকপা খুদোংচাদবশিং Whatsapp কী খূথাংদা online দা য়েংবীবা য়াগনি। অযুক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং ৪.৩০ ফাওবা, লৈবাকপোকপা য়েংজদে। Whatsapp mobile : 9077188456

Contact : **JM Dr Ph Rajendra,** (International Astrologer)
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Near Community Hall, Imphal East

HL-B/6802/21/2-22/3

ꯅꯨꯡꯁꯪ / নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি

Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খুদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থুবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইস্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইস্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজ রে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খুদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-P/9231/15/3-16/4

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ / PAPER গী থোঙদা ওজা ABDUL HAK পু থাগৎচরি

ঐহাক পাইলসকী অনাবনা খোঙ হাম্বা মরক মরক্তা ঈ য়াওবা, শৌজ গী অকোয়বদা পোমথোরকপা অমদি শোকপদা নাবা, অমাংথোংদা হাক্কৎচবা, ব্রি-ব্রি চৎপা, অমাংথোং মপালদা চাথৎলগা থুপ্পা, মচুম তারকপা, খোঙ হাম্বদা য়াম্না শাবা, পুক খোংবা, খ্বাং নাবা অমসুং থবাক ফুনবা অসিনচিংবা অনাবশিং অসি মণিপুরগী মফম কয়াদা চৎতুনা লায়েংজরুরে, ফবা লৈখিদে। মমৈথংদা ওজা ওজা Abdul Hak, Contact No. : 8794429681, 8014623756 কী মনাক্তা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী পাইলস মপুং ফানা ফজরে, হকচাং নুংঙাইজ রে। মরমর অদুনা ওজাবু ঙমখে লৈতনা থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংলিবা মফম :-

1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6 am to 5 pm)

থাগৎচরিবা : **P. Iboyai**
Thoubal Khekman

HL-P/9095/22

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/খোঙ হাম্বা খুদিংগী সিরিঞ্জনা কাপ্পগুম্না ঈ কাপথোরকপা, চনম মরুমুক চাওবা অমা অমাংথোং ময়াদা পোম্বা, অমাংথোং মপাল অকোয়বদু চাউথোকপা, অমাংথোং মপালদা মফম অনী চেখায়রকপা, খোঙ য়াম্না তোয়না হাম্নিংলগতা লৈবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা খুদিংগী সিরিঞ্জনা কাপ্পগুম্না ঈ কাপথোরকপা, ঈ তাবা অদু লৈকায়গী অশেম্বা হিদাক চারগা অমুক ফরগা অমুক হৌরকপা, শা-ঙা তোয়না চারগনা ঈ তোয়না তারকপা, শা-ঙা চাদ্রিবমখৈ ফবা, অরোইবদা ঈ অমুক তারকপদগী লৈকায়গী অশেম্বা হিদাক চারবসু ঈ তাবা অদু খকউ য়াদবা, খোঙ হাম্বা চঙগনি খনবদা হকচাংদা অৱাবা অমা ওইবা ঈ তারক্কনি খনবদা, চাবা মতমদসু য়াম্না চাদবা খোঙ তোয়না হামদনবগীদমক্তা, হকচাংদা ঈ ৱাৎশিল্লকপা অমদি কোক ঙাওরকপা, পাঙ্গল য়াম্না শোম্থুবা, করিমত্তা শুনিংবা পোক্তবা, পোথারগতা লৈনিংবা, চনম মরুমুক চাওবা অমা অমাংথোং ময়াদা পোমথোরকপা, অমাংথোং মপাল অকোয়বদু চাউথোরকপা, মরক মরক্তা অমাংথোং মনুংদগী মপালদা তিনকুপ থোক্লরকপা, অমাংথোং মপাল অকোয়বদু মরেং মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা অদু অমুকসু ফখিবা, অমাংথোং মপালদা মফম অনী থোক্লা চেখায়রকপা, খোঙ হাম্বদা চেখায়বা অদুনা মরম ওইদুনা য়াম্না থুপ্পা অমদি শাবা, হিদাক তৈরবসু চেখায়বা অদু ওইশিল্লু য়াদবা, খোঙ য়াম্না তোয়না হাম্নিংলগতা লৈবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অদুনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/6825/22 *থাগৎচরিবা :* **K. Pakchao Singh,** Lamlong Imphal

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নাম্থুবা, নাম্থুবা শৌজ অদু মশানা হঙ্গৎলু য়াদবা, খূৎনা ইনশিনবা, ফম্বা মতমদসু নাম্থুরকপা, মরক-মরক্তা চৎপা মতমদসু শৌজ অদু নাম্থুরকপা, অমাংথোং মনুংদু খুজিনবা ফহনবগীদমক ওজা Azad পু হন্না হন্না থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা মতম কুইনা নাদুনা খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নাম্থুবা, নাম্থুবা শৌজ অদু মশানা হঙ্গৎলু য়াদবা, খূৎনা ইনশিনবা, ফম্বা মতমদসু নাম্থুরকপা, মরক-মরক্তা চৎপা মতমদসু শৌজ অদু নাম্থুরকপা, অমাংথোং মনুংদু খুজিনবা, খোঙ হাম্বা মতমদা অমাংবদু ৱাতিন মতেক্নুম্না পীক্লা তারকপা, অমাংবদু লোইনা তারকউ য়াদবা, খূৎনা কোৎলগা শেংনা লৌথোকপা, শেংনা লৌথোকহৌদবা তারগদি অমাংথোং মনুংদা চিক্লি চিক্লি তৌরগা অদুম লৈবা, অমাংথোং মনুং অমদি মপান্দা চেখায়বা, অমাংথোং মপাল অকোয়বদু থাগৎপা, থাগৎফম অমাংথোং মপালদা চেখায়বা অদু হিদাক চারবসু অমদি তৈরবসু ফজিল্লু য়াদবা, খোঙ হাম্বদা য়াম্না থুপ্পা অমাংথোং মপালদা চেখায়বা অদুনা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ মপুং ফানা হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাপা, হকচাংগী ইন্দ্রি অসি শোম্থুবা, খ্বাং নাবা, লেংজুম নাবা, ঙমশম মরি নাবা, ফম্বী শোনবা, হকতিন্নিংবা ইফাও ফাওদবা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা ওজা MV Azad Phusam ☎ 9089738275 / 7628890261 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad Phusam বু হন্না-হন্না থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
3. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday & Wednesday open)
4. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday open)

HL-P/9323/22 *থাগৎচরিবী :* **Mk. Naoton,** Sugnu